# ৱিন্টর ওলিম্পিক্তা প্রোফেস্নেলিজম


- লৈশাংথেম অজিৎ -

মমাঙঙৈগী মতমদা ওলিম্পিক গেমস গ্রিসকী ওলিম্পিয়া কৌবা মফমদা খৃষ্ট মমাঙ ৭৭৬তগী কুমজা ৩৯৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা মতমদা 'প্রোফেস্নেল' ওইবা শান্নরোয়শিং গেমস অদুদা শরুক য়াহনখিদে। গেমস অদু 'অমেচর' শিং খক্তমক শরুক য়াহনখি। অমেচরশিংদি শান্নবদা শরুক য়াবগীদমক শেল লৌদবা শান্নরোয়শিংনি। মখোয়দি শেলগীদমক শান্নবা নত্তে, শান্নববু পামজবা অমদি শান্নবদা মায় পাক্তুনা মীংচৎ থম্বা অদুখক্তনি। অমেরিকা মচা অভেরি ব্রন্দেজনা কুমজা ১৯৫২দগী ১৯৭২ ফাওবা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা প্রোফেস্নেলগী শান্নরোয়শিং ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবা অসি য়াম্না হকচিন্না লৌরম্মী, য়াওসু য়াওহল্লমদে। খুদম ওইনা হোকি শান্নরোয় অমনা পায়রিবা হোকি ষ্টিক অদুদা হোকী শারিবা কম্পেনি অদুগী মমিং অদু য়াম্না কা হেন্না চাউনা চাউনা ময়েক লানা থাবা য়াদে, অথিংবা থম্মী। ফুটবোল, বোল্লিবোল, ফুটবোল বুট, উন মথক্তা স্কেটিং তৌবদা শীজিন্নরিবা খোঙউপ, স্কি তৌবদা পায়নবা মচৈ অশাংবশিং, শান্নপোৎশিং, শান্নবদা শীজিন্নবা ফুরিৎ, খোঙগ্রাও মচা অককপা, খোঙউপনচিংবদা কম্পেনি হায়বদি পোৎ চৈশিং অদু শারিবা ফার্ম অদুগী মমিং কা হেন্না চাউনা থাবা শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নবা য়াদে, চৈরাক পী।

কুমজা ১৯৬৮দা ফ্রান্সকী গ্রেনোবলদা পাঙথোকখিবা ১০শুবা ৱিন্টর ওলিম্পিক্তা ফ্রান্স মচা কিন ক্লাউদ কেল্লি কৌবা অলপাইন স্কিগী থৌরমদা দাউনহিলগী হীরমদা সনাগী মেদল ফংবা য়াবা শান্নরোয়নি হায়বা মীপুম খুদিংমক্কা আশা তৌনরম্মী। মহাক্কা হীরম অসিখক্তা নত্তনা স্লালোম অমসুং জিয়েন্ট স্লালোমদা সনাগী মেদল ফংবা ঙমগনি হায়না থাজরম্মী। অদুবু মহাক্কা ওলিম্পিক অদুদা ইটালিদা লৈবা ফার্ম অমদা শাবা 'স্কি পোল' অমা শীজিন্নরম্মী। মদুগীদমক ফ্রান্সকী স্কি এসোসিএসন অমসুং ফ্রান্স স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগা ইটালিগী ফার্ম অদুগা ওলিম্পিক পাঙথোক্লিঙৈদা অয়াবা ৱারোলশিং খন্নদুনা ৱারেপ্পখি। লৈবাক ৩৭তগী শান্নরোয় ১২৯৩না শরুক য়াখিবা ওলিম্পিক গেমস অদুদা অভেরি ব্রুন্দেজনা মখোয়না শীজিন্নরিবা খূৎলায়শিং অদুদা ত্রেদ নেমস অমসুং ত্রেদ মার্কশিং অদু মুখৎকদবনি হায়না খঙহনখি।

অভেরি ব্রুন্দেজনা কুমজা ১৯৫২দগী ১৯৭২ ফাওবা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা 'প্রোফেসনল' ওইবা শান্নরোয়শিং হায়বদি শান্নবদা শরুক য়াবগীদমক শেল লৌবা মীওইশিংবু হায়বদি শান্নবদা শরুক য়াবগীদমক লোন লৌবা মীওইশিংবু ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা অথিংবা থমখি। মরম অদুনা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় খুদিংমক অমেচর ওইরম্মী। মখোয়না শান্নবগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা 'শেল' লৌবা য়াদে। হোকি শান্নরোয় অমনা হায়রিবা হোকি ষ্টিক অদুদা হোকি ষ্টিক অদু শারিবা কম্পেনিগী মমিং অদু য়াম্না কা হেন্না চাউনা ময়েক লানা থাবা য়াদে, অথিংবা থম্মী। ফুটবোল, বোল্লিবোল, ফুটবোল বুট, উন মথক্তা স্কেটিং তৌবদা শীজিন্নবা খোঙউপ, মখোয়না পায়নবা মচৈ (চৈশু) অশাংবশিং, শান্নপোৎশিং, শান্নবদা লিৎপা ফুরিৎ, খোঙগ্রাউ মচা, খোঙউপনচিংবদা কম্পেনি অমদি ফার্ম অদুগী মমিং কা হেন্না চাউনা থাবা শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নবা য়াদে, চৈরাক ফংহল্লি।

কুমজা ১৯৬৪দা ইনসব্রুক্তা ৱিন্টরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা মহাক্কা অহানবা ওইনা জিয়েন্ট স্লালোমদা শরুক য়াখিবদা মঙাশুবা তাখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা থৌরম অনী দাউন হিল অমসুং স্লালোমদা শরুক য়াবদা লমথুংফম য়ৌবা ঙমখিদে। তৌইগুম্বসুং কুমজা ১৯৬৭তা মালেমদা মহাকপু লম্বা তৌনবা ঙম্বা স্কিগী শান্নরোয় অমত্তা লৈতে। কুমজা ১৯৬৬তগী ১৯৬৭ ফাওবদা ৱর্ল্ড কপ মীট ১৬ শরুক য়াখিবদা ১২রক মায় পাকখি। মরম অদুনা কুমজা ১৯৬৮গী ৱিন্টর ওলিম্পিক্তা মায় পাক্কনি হায়না আশা য়াম্না থাজনা লৈখি। ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী অমদি ৱিন্টর স্পোর্টসকী মরুওইবা মচাকশিং হায়বদি স্কি, হেন্দ গ্লোব, খোঙউপ, জেকেটনচিংবা শাবা কম্পেনিশিংনা মহাক্কী মতুং ইন্দুনা মখোয়গী পোথোকশিং শীজিন্নবীনবা হায়জদুনা মহাক্কী খোঙজিন্দা লেপ্তুনা মহাকপু উন্ননবা হোৎনখি।




কুমজা ১৯৬৮দা মহাক্কা গ্রেনোবল ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল অহুম হেক ফংবগা জিন ক্লাউদ ইন্দষ্ট্রিজ লীংখৎতুনা ৱিন্টর স্পোর্টসতা দরকার লৈবা মচাকশিং অমদি ফিরোলশিং পুথোক্লবা শেম শাদুনা লৈরি। ইন্টরনেসনল স্কি ফেদরেসনগী চৎনবী কাঙলোন থুগাইবা য়াওবা মরম্না মসিগী কাঙলোনগী মনুংদা মহাক্না স্কি শাবা কম্পেনিশিং, উন্দা শান্নবদা শীজিন্নবা খোঙউপ (বুট), খূৎকী গ্লোব শাবা অমদি ৱিন্টর স্পোর্টসতা দরকার লৈবা পোৎ চৈ শাবা কম্পেনিশিংনা মখোয়গী পোথোকশিং শীজিন্নবীনবা মহাক্কী মতুং কোইন ইন্নরম্মী। অসিগুম্বা থবকশিং অসি ওলিম্পিক্কী প্রসিদেন্ট অভরি ব্রুন্দেজনা য়ানীংদে।

কুমজা ১৯৬৮গী ৱিন্টর ওলিম্পিক পাঙথোক্লমদাইদা কেল্লিনা ইটালিগী স্কি পোল শাবা কম্পেনি অমগা কন্ট্রেক্ট ইনখি। মদুদা ইন্টরনেসনল স্কি ফেদরেসনগী কন্ট্রেক্ট অদু অমেচরগী রুল থুগাই হায়না খঙহল্লকখি। মদুদা কেল্লিনা মখোয়না হায়বা অদু য়াখি। স্কি পোল অদু শীজিন্নখিদে। মদুদা কম্পেনি অদুনা মঙোন্দা আইনগী মতেং লৌগনি হায়না কিহল্লকখি।

অমরোমদা, ইন্টরনেসনল স্কি ফেদরেসন অমদি টিমগী মেনেজরশিং অমদি শান্নরোয়শিংনা অথিংবা অদু য়ারমদে। মরমদি অরপিননা স্কিগী মশান্নশিংগী স্কি শারিবা কম্পেনিশিং শেলগী মতেং নত্তনা শরুক য়াবা ঙমদে। মরমদি মশান্না অসিদা শরুক য়াবদা শেল য়াম্না চংই। মরম অদুনা কম্পেনিশিংগী মতেং দরকার ওই। তৌইগুম্বসুং ওলিম্পিক অদু হৌরমদাইদা য়ানবা অমা পুরকখি মদুদি শান্নরোয়শিং অদুনা শীজিন্নরিবা স্কিশিং অদুদা ত্রেদ নেম অমসুং ত্রেদ মার্ক হাপ্পা য়াই। তৌইগুম্বসুং ফোটো নম্বা মতমদা স্কিশিং অদু য়াওবা য়াদে, স্কিশিং অদু লৌথোক্কদবনি।

কুমজা ১৯৬৮গী ওলিম্পিক্কী দাউন হিলগী ফাইনেলদা জিন ক্লাউদ কেল্লিনা মহাক্কী মরুপ অতোপ্পা ফ্রান্স মচা গেয় পেরিল্লেট কৌবা অমগা অকনবা লম্বা তৌনরম্মী। মদুদা জিন ক্লাউদ কেল্লিনা লমথুংফম য়ৌবা খজিক্তদা হানখি। মহাক্না মকোক ওইখি। মহাক্কী মতমনা পুং ১ মিনট ৫৯গা সেকেন্দ ৮৫নি। গেয় পেরিল্লেটকী মতমনা পুং ১ মিনট ৫৯গা সেকেন্দ ৯৩ ওইরম্মী। জিন ক্লাউদ কেল্লিনা লমথুংফম হেক য়ৌবগা মহাক্কী মরুপ অমসুং এদভাইজর ওইরিবা মাইকেল অরপিন চেনশিল্লক্তুনা কেল্লিবু কোল্লম্মী। মদুদা লমথুংফমদা লৈরিবা ফোটোগ্রাফরশিং অদুনা মখোয় অনীগী ফোটো কয়ামুক নমখি। মাইকেল আরপিন্না লিৎলিবা ফুরিৎ অদুগী মনঙ্গন্দা হায়বদি মতুংদা 'দাইনামিক' হায়বা ৱাহৈ অমা চাউনা থাই অমদি কম্পেনি অদুগী সিম্বোলসু য়াওই। কেল্লিনা শীজিন্নরিবা স্কি অমদি মখূৎতা উপ্নবা গ্লোবশিং দাইনামিক কম্পেনিনা শাবনি। মদুদা পুলিসমেন অমনা কেল্লিগী মখূত্তগী স্কি অদু মুন্দুনা ফাজিনখি। মতম অদুদা মাইকেল অরপিন্না পুরকপা স্কি অমা লৌথোক্লগা উন মথক অদুদা য়ুশিল্লম্মী। মরমদি স্কি অদুগী মতোন্দা য়েক্লিবা দাইনামিক কম্পেনিগী সিম্বোল হঙ্গাম মপান মচুগী বার অনী অদু কেল্লিগী মকোক চপ চানা তাদুনা ফোটো নম্বদা সিম্বোল অদু য়াওহন্নবা হোৎনরম্মী। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### পাউমীশিংদা তেংবাঙখ্রে

থৌবাল, এপ্রিল ১৪ (ঐচএনএস) : মালেমগী লৈবাক কয়াদা লাইচৎ অমা ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ থেংননবা ইন্দিয়া পূম্বদা চত্থরিবা লোকদাউননা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবা মীয়ামদা চান-থক্লবা অমসুং অতৈ পোৎলমশিং তেংবাঙ লেপ্তুনা য়েন্থোক্লরি।

জোইন্ট দিরেক্ট আয়ুশ ডো. অকোইজম লোকেন্দ্রো, দিপার্টমেন্ট ওফ অর্থ সাইন্সেস, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সাইন্টিষ্ট (বি) ডো. সুনিল লাইশ্রম অমদি ডো. সুশিলদ্রো অকোইজমনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মিদিয়া ফর্মশিংদা ঈ-পাউগী থবক তৌরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী পাউমীশিংদা মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, গ্লোব অমদি থক্লবা ঈশিং তেংবাঙখ্রে।

মীয়াম্না মীপাইনরিবা কোভিদ-১৯গী লোকদাউন অসিগী অথিংবা কয়াগী মরক্তা মশাগী মথৌ তৌরিবনি হায়দুনা লেপ্পা লৈতনা পাউ খোন্বা চৎলিবা পাউমীশিং অসিবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা তেংবাঙ অসি পীজবনি হায়না ডো. লোকেন্দ্রোনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা পদনা রত্না ইংলিস স্কুলগী কুমজা ২০০৯গী মেত্রিক বেটচনা মিসন ব্লাইন্দ স্কুল, হক্রকপোকপী অমসুং বেকৱার্দস দিভলপমেন্ট সার্ভিসেস, ককচীং চুমনাংনা চলাইবা নুপীমচাশিংগী ওইবা ওর্ফান হোমদা চেঙ, হৱাই, অলুনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে হায়রি।

### মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে

ককচীং, এপ্রিল ১৪ (ঐচএনএস) : বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা শীন্দুনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মপা হায়নসু খঙনরিবা ভিমরাও অম্বেদকর (বি আর অম্বেদকর) গী ১২৯শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক্তা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফোর্মর ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিগী য়ূমদা পাঙথোকখ্রে অমদি নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা খাঙবোক এ সীগী মফম খুদিংমক্কী মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফোর্মর ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিনা লুচিংদুনা বি আর অম্বেদকরগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা য়াম্না চম্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী মরুওইবা থৌ পুরিবা মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

ঙসি ঙসিমক মালেমগী মফম শিনবা থুংনা শন্দোক্তুনা অকিবগী মশক ওইরিবা নোভেল কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু লৈখিবনা অৱাবা মায়োক্লরবা এ সী অসিগী মীয়ামদা বি আর অম্বেদকরগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অৱাবা খরদং ওইরবসু কোক্লবা থক্লবা ঈশিং অসি য়েনবনি হায়না জাদুমনিনা ফোঙদোরক্লি।

কোরোনাভাইর অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফোর্মর ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিনা খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মফম শিনবা থুংনা হীদাক কাপথোকপা অমদি চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রবা মতুং ঙসি বি আর অম্বেদকরগী ১২৯শুবা মপোক নুমিৎনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা ঈশিং টেঙ্কি গাড়ী ১৫ রোম শীজিন্নদুনা ঈশিং অসি য়েনবনি হায়রি।

### মাইবম লোৎপা চীংদা মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ (ঐচএনএস) : নম্বোল পি এসকী মনুংচন্না লৈবা মাইবম লোৎপা চীং (রেদ হিল) দা ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপা অদুৱাইদা চীংগী অৱাং অমদি মমাঙ থংবা চীংমায়দা মৈ চাক্লক্তুনা তূম্না চাক্কদবদগী অয়াম্বা শরুক খুলগী মীওইশিং অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি ফায়র সার্ভিসনা কলহৌরে।

দি এফ ও বিষ্ণুপুর দা. রেবিকা সোইবম চনু, আর এ সুখাম রতনকুমার, নম্বোল পি এসকী দি এস পি এস গৌরচান্দ, বিষ্ণুপুর ফায়র সার্ভিসকী মীওইশিং অমদি মাইবম খুলগী মীওইশিংনা মফমদুদা পাউ হেক ফংবগা চংশিন্দুনা কন্নবা হোৎনখি হায়না দা. রেবিকা সোইবম চনুনা মিদিয়াদা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯গী ইমর্জেন্সি লৈরিঙৈ খূৎ-শা ফাওবা নিংথিনা হাম্নবা ঈশিং লৈত্রিঙৈ মণিপুরগী মফমশিংদা চীংদা মৈ থারকপা লাইবক থীবনি। মতুংদা চীংদা মৈ থাবীগনু। চীং মৈ থাবনা গ্লোবেল ৱার্মিং হেনগৎহল্লি, চীং মৈ থাবনা নোং চুবগী চাংসু হন্থহল্লিবনি মরম অদুনা ময়াম্না চীং মৈ থাবীদনবা মহাক্কা আপিল তৌখি। মহাক্কা মখা তানা মৈ থারল্লিবা মী অদু অথুবদা থিগনি অমদি আই এফ এগী মখাদা চৈরাক শোয়দনা ফংগনি হায়খি।

### 'ঈশিং মরাং কায়না ফংদ্রবসু গেহু মায় পাক্লা থাবা য়ারে'

লাঙথেল, এপ্রিল ১৪ (এজেন্সী) : মণিপুরদা মমাঙগী চহীদা নোং লিক্লা চুখিবনা লৌউ-শিংউ তৌদুনা ফৌ থাবা য়াদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা ঈশিং ৱাৎপদগী লৌউ-শিংউ তৌদুনা ফৌ থাবদা খুদোং চাখিদবা মফমশিংদা গেহু থাদুনা মায় পাক্লা গেহুগী চাথোক পুথোকপা ঙল্লে হায়না ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা লাঙথেল খোংজোম নিংথৌ কম্যুনিতি হোলদা কোভিদ-১৯ থেংননবা চত্থরিবা লোকদাউনগী অৱাবা নংলবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়ামদা তেংবাঙ পোৎলম য়েন্থোকপা থৌরমদা এম এল এ ব্রোজেননা হায়, গেহু অসি ঈশিং অমুক্তংবু ফংখ্রবদি মহৈ অদুম লোকপা য়ারবা, ঈশিং য়াম্না মথৌ তাদবা পাম্বী অমনি। পঞ্জাবতা মহাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী থৱায় য়াওবা লৌমীশিং চৎতুনা ত্রেনিং তৌরুরবা মতুংদা গেহু অসি থাদুনা চাংয়েং তৌবদা মায় পাক্লা লোকপা ঙল্লে, লোক্লবা গেহুশিং অদু মহাক্না পূন্না লৈশিন্দুনা কোভিদ-১৯ থেংননবা লোকদাউন চত্থবগী অৱাবা থেংনরিবা মহাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী য়ূমথোং খুদিংদা য়েন্থোক্তুনা গেহু অসি মথংদদি পাক শন্না থানবা হোৎনরগনি। মদু ওইরবদি মণিপুরগী মপান্দগী গেহুগী পোথোকশিং পুশিল্লক্ত্রবসু শোয়দনা য়ারগনি খল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

এম এল এনা মহাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী লাঙথেল খোংজোম নিংথৌ কম্যুনিতি হোল অমসুং লাঙথেল মোইরাং লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা ঙসি চেঙ, হৱাই, আলুনচিংবা অচা-অথকশিং য়ূমথোঙ খুদিংগী ওইনা য়েন্থোকখি।

### মৈখু থোক্তবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অথিংবা থম্লকপা অচুম্বা খোঙথাংনি : কাদা

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ (ঐচএনএস) : মালেম শিনবা থুংনা অকিবা ফংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থেংননবা মিনিষ্ট্রি ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়েরনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিদা পাক শন্না ক্বা য়াওনা মৈখু থোক্তবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নবা অমসুং মীয়াম তিনবা মফমদা ক্বা মহী শিৎতোকপদা অথিংবা থম্লকপা অসি কোভিদ-১৯ থেংননবা মরুওইবা অমসুং অচুম্বা খোঙথাংনি লৌই হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) না ফোঙদোরক্লি।

কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সী এম আর), দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ রিছার্স গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মীয়ামদা তৌরক্লিবা অপিলদি, মৈখু থোক্তবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং মীয়াম পূনবদা শীজিন্নবীগনু অমসুং হীদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নরগা মীয়াম তিনবা মফমদা তিন নৎত্রগা মহী ওথোকপীগনু হায়বসিনি। ক্বা চাবা অমদি অতৈ মৈখু থোক্তবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নবনা চিন্দা মহী থোকপগী চাং হেনগৎহল্লি অমসুং মহি অদু মীয়াম মরক্তা শিৎপনা কোভিদ-১৯ ভাইরস শন্দোকপদা মতেং পাংশিল্লি।

মণিপুর লৈঙাক্লা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়েরগী অথিংবা অসি মণিপুরদসু মপূং ফানা চৎনহন্দুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদগী মণিপুরগী মীয়াম্বু কঞ্জননবা হোৎনবদা মপূং ফাবা থৌদাং লৌবীয়ু। অথিংবা অসিবু থুগাইরকপা মীওইশিং মিনিষ্ট্রিনা পীরক্লিবা লোশিং হায়বদি ইপিদেমিক দিজিজ এক্ত ১৮৯৭, দি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ত ২০০5 অমসুং আই পি সীগী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীদুনা মণিপুর মীয়াম্বু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অকনবা খোঙথাংশিং পায়খৎপীয়ু।

মৈখু থোক্তবা হীদাক মনাগী পোৎলম ক্বা জরদানচিংবশিং পাক শন্না শীজিন্নরিবা মণিপুরগুম্বা অপিকপা ষ্টেট অসিদদি অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনীংঙাই ওইবা মরম্না মণিপুর মীয়াম্নসু ঐখোয় ইশা ইশা অমদি মীয়ামগীদমক খল্লগা অসিগুম্বা অথিংবা অসি ঙাক্লা চৎমিন্নদুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদগী লাপ্পা লৈবদা অপূনবগী ওইবা চপ মান্নবা থৌদাং অদু লৌমিন্নরসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

### মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ (ঐচএনএস) : খুরাই পুথিবা লৈকায় (চন্দম লম্পাক) দা লৈশাবীশিংনা থাবল চোংনবা থমজিনবা শেলশিং অদু কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা, খুরাই পুথিবা লৈকায়, সাজোর লৈকায়, থোইদিংজম লৈকায়গী য়ূমথোংশিংদা অঙম্বা পোৎলম কয়া মতেং পাঙখ্রে হায়না লৈকায়শিং অসিগী লৈশাবী কয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। অমরোমদা, খুন্দ্রাকপম জি পিগী প্রধান এ ইবোচৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খুন্দ্রাকপম জি পিগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট কম্মিতিগী চেয়ারমেননা লুচিংদুনা পঞ্চায়ট অসিনা কোনবা মফমশিংদা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

### ৱাই খেমচান্দনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯ লায়না শন্দোরকপা থিংনবগীদমক লৈঙাক্লা লোকদাউন চৎথরিবা অসিদা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খরমখৈ কোক্লবগী পান্দমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, ৱেলফেয়ের ক্লব অমদি শৌগাইজম লৈরক্কী মেম্বরশিংগা খুৎশম্নদুনা য়াইস্কুল এ সীগী মনুংচন্না লৈবা পোলিং ষ্টেসন নম্বর১৪/৫ (লৈপুং) অমদি ১৪/১৯ (ৱেলফেয়ের ক্লব)কী মনুংদা লৈবা য়ূমথোং খুদিংদা তঙাইফদবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

চান-থক্লবা য়েন্থোকপগী থৌরমদা মতেং পাংবিরকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দবু ৱেলফেয়ের ক্লব অমদি শৌগাইজম লৈরকনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। অমরোমদা য়াইস্কুল এ সী অসিমক্কী মেম্বর থোংঙাম গোবিন্দনা মহাবলি কবুাই খুল, হাউকিপ বেঙ য়াওনা ৱার্দ অসিগী অকোয়দা লৈবা য়ূমথোং ২২০০দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা অদুগা ইরোইননা মীয়ামদা লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ লায়না শন্দোরক্তনবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মনুংচন্না লোকদাউন তৌরিবা অসিবু শৌগৎলদুনা লোকদাউন মনুংদা য়ূমদগী মপান থোক্তনবা আপিলসু তৌখি হায়রি।

### উয়েল ফার্ম মৈনা তুম্না চাকখ্রে

থৌবাল, এপ্রিল ১৪ (ঐচএনএস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক শিঙাদা লৈবা সুলতানা লাইভ ষ্টোক এন্দ মশরুম কো-ওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী উয়েলগী ফার্ম ঙসি মৈনা তুম্না চাকখ্রে।

শকখঙদবশিংনা মৈ থারম্বনি চিংনবা লাইবক থীবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১.০১ রোম তারকপদা থোকখিবনি। ফার্ম অদু য়াইরিপোক শিঙা কেনেল মপালদগী জিদ্দা রহমন (২৯) অপোকপা নাজির অহম্মদকীনি হায়রি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ফার্ম অদুগী মনাক্তা লৈবা দুকান অমদা তূম্বা নুপা অমনা মৈ চাকপা অদু উরকপদগী মৈ চাক্লে হায়না লাউরকপদগী মীয়াম চেন্থোক্ল রক্লগা মৈ অদু কন্নবা হোৎনখি। খুদক্তা ফায়র সার্ভিস কৌরগা মৈ অদু কন্নবা হোৎনখি। য়াইরিপোক ফায়র সার্ভিস অমদি থৌবাল ফায়র সার্ভিস অনীনা পুং ৫/৬ চঙনা কন্নবা হোৎনরবসু লুপা লাক্ষ ৫.৫০ রোমগী ওইগদবা পোৎলমশিং মৈনা তুম্না চাকখ্রে হায়রি।

উয়েনগী ফার্ম অদুগী মপু জিদ্দা রহমননা ঐখোয়গী পাউমীদা ফোঙদোরকপদা, ফার্ম অসি য়াম্না ৱানা শেমগৎচরকপনি। অদুবু ঙসি অহিং শকখঙদবশিংনা মীনুংশি লৈতনা মৈ থাদোকপীরম্বা অসি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। ঐগী অৱাবা অসি য়েংবীরগা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা মতেং পাংবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লকখি।

শিঙা আইদিএল ক্লব (এস আই সী) গী জেনরেল সেক্রেটরি জুনুশনসু থৌদোক অদুবু য়াম্না কন্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লকখি।

### হীদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ (ঐচএনএস) : কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংননবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা খুরাই এ সীগী মফম খুদিংদা মহিক-মতাই শিগদবা হীদাক কাপথোকপগী থবক হৌখ্রে।

সোসল ৱার্কর খাগোকপম খম্বনা ফায়র সার্ভিস দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নরগা ফায়র টেন্দর অনী অমদি লন্নাই গাড়ী কয়া শীজিন্নদুনা খুরাই এ সীগী মফম কয়াদা হীদাক কাপথোকপা হৌখিবনি।

সোসল ৱার্কর খাগোকপম খম্বনা হায়খি, কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবগীদমক হীদাক কাপ্পগী থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। মখা তানসু খুরাই এ সীগী মফম খুদিংমক শিনবা থুংনা হীদাক অসি কাপথোকখিগনি। মীয়াম্নসু সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়খি।

NO.A/PM-2/OBC-2019
GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE FOR WELFARE OF OTHER BACKWARD CLASSES & SCs
1st Floor, South Block, Secured Office Complex, A. T. Line, Imphal, Manipur
-- -- --

NOTIFICATION
Imphal, the 9th April, 2020

NO.A/PM-2/OBC-2019/328 : It is hereby informed to all concerned that advice will be given to the HDFC Bank, MG Avenue on 14/04/2020 for e-disbursement of OBC Post-Matric Scholarship (2nd Phase) for the year 2018-19 (2,812 nos. of students) and OBC Post-Matric Scholarship (1st Phase) for the year 2019-20 (17,568 nos. of students) for an amount of Rs. 14,91,71,628/-, OBC Pre-Matric Scholarship for the year 2019-20 (2,670 nos. of students) for an amount of Rs. 57,49,000/- and SC Post-Matric Scholarship for the year 2019-20 (5,882 nos. of students) for an amount of Rs. 5,95,11,640/-. The list of the students is available on the OBC & SCs Directorate's website: manipurobcsc.gov.in. Concerned students are hereby directed to up-date/check their bank accounts details on OSMS accordingly.

2. For further details, please contact Scheme Officer/OBC&SC, Manipur at the enquiring mail: mobc-scholarships@googlegroups.com.

Sd/- Ng. Bhogendra Meitei
Director (OBC & SC)
Government of Manipur.

HL-B/6152/15